# অহানবা পেরাদাইস য়ুনিয়ন পুংদোংবম (পুপু) কপ ২০১৭
# পি জে এ অমদি এস টি টি মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ১৬ঃ পেরাদাইস য়ুনিয়ন পুঙদোংবম (পুপু)না শিন্দুনা তিম ২১না শরুক য়ারগা গ্রুপ ৪ থোক্লা খায়দোক্তুনা পুঙদোংবমদা লৈবা লম্লাই হায়স্কুল প্লে গ্রাউন্দদা চখরিবা অহানবা পেরাদাইস য়ুনিয়ন পুঙদোংবম (পুপু) কপ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট অন্দর সেভেন্তিন, নাইন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭গী ঙসি শন্নখিবা লিগ মেটচতা পি জে এ পুংদোম্বমনা এল ৱাই পি ও সি মত্রিপুখ্রিবু গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদনা এস টি টি সেক্তানা এফ সি হৈকক মপালবু ১৩–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১২শুবা মেটচ ওইনা ঙসি এল ৱাই পি ও সি অমদি পি জে এ না লম্বা তৌদুনা শান্নখিবা মেটচ অদুদা পি জে এ না ৩–১ দা মায়থিবা পীখিবনি। পি জে এ গী মায় পাকপগী গোলশিং অদু মেটচ অদুগী মিনট ২০ চৎপা মতমদা টিম অসিগী এ রোজরনা গোল ১, মিনট ৩৮ দা এন রহুলনা গোল ১ অমদি মিনট ৪৬ তা ৱাই সুরজনা গোল ১ চনবা ঙমখি।

মায়থিহৌরবা এল ৱাই টি ও সি গী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা মেটচ অদুগী এদিসনেল টাইমদা এন সবিনা চনবা ঙমখি।

নাকল অমরোমদা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেটচতা এস টি টি না এম সি বু গোল ১৩–০ দা মায়থিবা পীখিবনি।

এস টি টি গী মায়পাকপগী গোলশিং অদু মেটচ অদুগী মিনট ৪, মিনট ২০, মিনট ৪০, মিনট ৪৩ অমদি মিনট ৪৪ দা টিম অসিগী এল রোবিসন্না পুন্না গোল ৫ , এস বিশ্বরজিৎনা শান্নবগী মিনট ৭ চৎপা মতমদা গোল ১, কে রেনোনা মিনট ৯, মিনট ১৫ অমদি মিনট ১৮ দা গোল ৩, এস নেটরজিৎনা মিনট ৩০ দা গোল ১, ৱাই সনানা মিনট ৩৪ দা গোল ১, ৱাই বিজেন্না মিনট ৪৭ তা গোল ১ অমসুং শুমেন্দ্রোনা মিনট ৪৯ দা গোল ১ গা চন্দুনা য়াম্না লাকচবা মওংদা থোইখিবনি।

# এঠলেট শোইবম মোতিলাল ওকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে




ইম্ফাল, এপ্রিল ১৬ঃ মমাং থা মার্চকী ২৪ দগী ২৭ ফাওবা য়ু পি গী এলহবাদতা পাঙথোকখিবা ৩৮ শুবা নেসনেল মাষ্টর এঠলেটিক চেম্পিয়ন্সিপ্তা গোল্ড মেডল অনী লৌরকখ্রবা শোইবম মোটিলাল ওকপগী অচম্বা থৌরম অমা লোকেল দিবলপমেন্ট এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা ক্বাকৈথেল শোইবম লৈকায় হাওরকচাম্বী কম্ম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

চেম্পিয়ন্সিপ অদুগী ১০০ মিটর রেস অমদি ১০০ হরদল মিটর রেস ইভেন্টতা সোইবম মোটিলাল ৱিন্নর ওইদুনা গোল্ড মেডল অনী অদু লৌরকখিবনি।

ওকপগী থৌরম অদুদা শগোলবন্দ কেন্দ্র গী এম এল এ আর কে ইমোনা অথোইবা মিথুংলেন , এল দি এ গী এদভাইজর লাইশ্রাম নবাকুমারনা থৌরম মপু, মণিপুর সেন্ত্রেল জেলগী এস পি থোকচোম সুভাসচন্দ্র, মনিটকোগী ই ই মোইরাংথেম বিরেন, এদুকেসন (এস) কী এ আই মোইরাংথেম শ্যামসুন্দর, স্পিসিয়েল কন্টেক্টর ওইনাম ওকেন, ভেটনরি এন্দ এনিমেল হরবেন্দরিগী দিপ্যুটি দাইরেক্টর লাইশ্রম অরুনকুমার অমসুং স্পিসিয়েল কন্টেক্টর লাইশ্রম সুরজিৎনা অথোইবা লেংবিরকপা ওইনা শরুক য়াদুনা ওকপগী থৌরম পাঙথোকখি।

# মুম্বাই ইন্দিয়ান্সনা গুজরাট লাইওন্সপু ৱিকেট ৬ তা থোইখ্রে, রাইজিং পুনে সুপরজাইন্টসনা রোয়েল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোরবু রন ২৭ তা মায়থিবা পীখ্রে

*মুম্বাই। বেঙ্গালুরু, এপ্রিল ১৬ঃ* ভিভো ইন্দিয়ান প্রিমিয়র লীগ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি মুম্বাইদা শান্নখিবা ১৬শুবা লীগ মেটচতা য়ুম্বু মুম্বাই ইন্দিয়ান্সনা গুজরাট লাইওন্সপু ৱিকেট ৬ তা মায়থিবা পীখ্রে। অদুগা বেঙ্গালুরুদা শান্নখিবা ১৭শুবা লীগ মেটচতা রাইজিং পুনে সুপরজাইন্টসনা রোয়েল চেলেঞ্জর্স পু রন ২৭ তা থোইখ্রে।

মুম্বাই ইন্দিয়ান্স অমসুং গুজরাট লাইওন্সকী মেটচকী তোচ মুম্বাইনা ঙমদুনা ফিল্ডিং হান্না তৌখি। মদুদা গুজরাট লাইওন্সকী মাইকৈদগী অপীবা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৪ তুরগা রন ১৭৬ লৌখি।

টিম অদুগী মাইকৈদগী ওপন্নর ব্রেদম মেকলম্না বোল ৪৪ দা সিক্স ৩ অমসুং ফোর ৬ য়ৈরম্বা অদুনা টিম অদুগী খ্বাইদগী ফজবা পার্ফোমেন্স ওইখি। দিনেস করটিক্না আউত ওইদনা বোল ২৬ তা সিক্স২ অমসুং ফোর ২ য়ৈরগা রন ৪৮ লৌরম্বা অদু চাওনা শিংথবা য়াবা স্কোর ওইখি। লোয়ননা টিম অদুগী কেপ্টেন সুরেস রাইনানা রন ২৮ লৌরমখি।

মায় পাক্নবা রন ১৭৭ লৌগদবা মুম্বাই ইন্দিয়ান্সনা মখোয়গী ইন্নিংস অদুগী ২০ শুবা ওভরগী ৩শুবা বোলদা ৱিকেট ৪ তুরগা রন ১৭৭ লৌদুনা মেটচ অদু মখোয়না ৱিকেট ৬ তা থোইখিবনি।

মুম্বাইগী মাইকৈদগী নিটিস রাইনানা বোল ৩৬তা সিক্স ২ অমসুং ফোর ৪ য়ৈরগা রন ৫৩ লৌদুনা খ্বাইদগী ফজবা বেটচমেন ওইখি। লোয়ননা কেপ্টেন রোহিট শর্ম্মানা আউত ওইদনা রন ৪০ লৌদুনা লৈখিদুনা মেটচ অদু ৱিকেট ৬ তা মায় পাকখিবনি।

বেঙ্গলোরদা শান্নখিবা ১৭শুবা লীগ মেটচতা য়ুম্বু টিম অদু তোচ ঙমদুনা ফিল্ডিং হান্না তৌখি। মদুদা রাইজিং পুনে সুপরজাইন্টসকী মাইকৈদগী ওভর ২০ দা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ১৬১ লৌখি। টিম অদুগী মাইকৈদগী ওপন্নর অজিকিয়া রহনে অমসুং রহুল দিফাথিনা মথংশিংনা রন ৩০ অমসুং ৩১ লৌখিবা অদুনা টিম অদুগী খ্বাইদগী ফজবা স্কোর ওইখি।

মাইপাকপগী রন ১৬২ লৌনবা হোৎনরকপদা আর সি বি গী ইন্নিংস অদু ওভর ২০ দা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ১৩৫ খক লৌদুনা মেটচ অদু মখোয় রন ২৭ তা মায়থিবা নঙখি।




*বোল ৩৬ তা রন ৫৩ লৌদুনা মেন ওফ দি মেটচ তাখ্রবা মুম্বাইগী নিটিস রনানা ফোর য়ৈবা মতম*

# ১৪শুবা মণিপুর ভেটৈরান ক্রিকেট টুর্নার্মেন্ট ২০১৬–১৭
# সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা রন ২৮ দা মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ১৬ ঃ মণিপুর ভেটেরান ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শীন্দুনা ওরিয়েন্টেল কোলেজ অমদি মোডেল হয়ার সেকেন্দরী গ্রাউন্দদা চখরকখিবা অদুগা নোং–চিংগী ফিভমনা মরম ওইদুনা য়ৈথোক্লু রবা মতুং লুৱাংশংবমদদা লৈবা লুৱাং পোকপা ক্রিকেট ষ্টদিয়মদা মখা চখরকখিবা ১৪শুবা মণিপুর ভেটেরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট, ২০১৬–১৭কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা চেম্প খাগেম্পালিবু রন ২৮ দা মায়থিবা পীখ্রে। সাইক্লোন থাংমৈবন্দগী ওল রাউন্দর বিনোইনা ৱিকেট ৩ লৌবগা লোয়ননা রন ৪০ চেনবা ঙমদুনা মেন ওফ দি মেটচ তাখি।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী তোচ সাইক্লোন্না ঙমদুনা বেট্টিং হান্না খনবগা লোয়ননা অপীবা ওভর ৩০ দা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ১১৬ লৌবা ঙমখি।

অদুগী পাউখুম ওইনা চেম্প খাগেম্পালিনা ওভর ২৫.১ দা ওল আউত ওইদুনা রন ৮৮ খক্তমক স্কোর তৌবদগী টারগেট স্কোর য়ৌবা ঙমদবদগী মায়থিহৌখিবনি।

অহানবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা সাইক্লোন থাংমৈবন্দগী বিনোইনা বোল ৫৮ মায়োক্লবা মতমদা রন ৪০, অরুন্না বোল ৪৩ দা রন ২২, ব্রোজেন্না বোল ২০ দা রন ১২ অমদি রোবেন্না বোল ১৪ দা রন ৭ চেনবা ঙমখি।

বোল্লিং তৌখিবা চেম্পকী জোদিবানা ওভর ৬ তা ৱিকেট ৩, গৌপালনা ওভর ৫ দা ৱিকেট ৩, রতন্না ওভর ৬ তা ৱিকেট ১ অমসুং সঞ্জয়না ওভর ৩ দা ৱিকেট ১ লৌবা ঙমখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা চেম্পকী মাইকেলনা বোল ৩০ মায়োক্লবদা রন ১৭, জোদিবানা বোল ১৩ দা রন ১০, তোমথাংনা বোল ২০ দা রন ১৩ অমসুং গিটনা বোল ১৮ দা রন ৭ চেনবা ঙমখি।

বোল্লিং তৌখিবা সাইক্লোনগী বিনোইনা ওভর ৬ তা ৱিকেট ৩, চাওবী (টিকেন) ওভর ৪ দা ৱিকেট ২, রোবিন্দ্রোনা ওভর ৫.১ দা ৱিকেট ৩ অমসুং সুরজিৎনা ওভর ৩ দা ৱিকেট ২ লৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চখরকপা ওইনা হয়েং গ্রাউন্দ অসিমত্তন্দা। ৱাই দব্লিউ সি লংথবাল অমদি এন এ পি এস এ খা ইম্ফালগা লম্বা তৌনরগনি।

## এম য়ু গী এন্যুয়েল স্পোর্টস মিট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৬ঃ থা অসিগী ৩ দগী ৬ ফাওবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি গী চহিগী ওইবা ৮লক শুবা স্পোর্টর্স মিট পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা অদু থা অসিগী ১৮ দগী হৌরগা ২০ ফাওবা পাঙথোক্লগনি হায়না মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী গেম এন্দ স্পোর্টস সেক্রেটরীনা থোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

স্পোর্টস মিট অসিদা পুন্না মশান্না দিসিপ্লিন ১৩ দা অথোই–অহেন তান্নগদৌরি। দিসিপ্লিনশিং অদুদিঃ বস্কেটবোল, বেদমিন্টন, ক্রিকেট, ফুটবোল, ভোল্লিবোল, টেবল টেন্নিস, টগ ওফ ৱার, মিটর ১০০ গী লমজেল, মিটর ৪০০ গী লমজেল, হায় জম্প, লোং জম্প, দিস্কস থ্রো অমসুং সোটপুট ইভেন্টনি।










Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma**, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*